# প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা অহমেদ পেতেলগী মিং পনবা চোপ্পর স্কাম চার্জ সীটকী ৱাফম পুথোক্লকখ্রে



**দেরাদুন /ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৫ঃ** ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা দিল্লি কোর্ট অমদা থাগৎলকখিবা অগস্তা ৱেষ্টলেন্দ ভি ভি আই পি চোপ্পর কেসকী চার্জ–সীটকী ৱাফম অদু ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পুথোক্লকখ্রে অমসুং চার্জ সিট অদুদা অহমেদ পতেলবু এ পি অমসুং ফেমিলিবু 'এফ এ এম' হায়না য়াওরে হায়খ্রে।

নখোয়গী চৌকিদার অসিনা ভি ভি আই পি চোপ্পর কেসতা চেন্নবা ময়াইচাবী মীওই খরা দুবাইদগী পুরকখ্রে। প্রোব এজেন্সিশিংনা চয়োল কয়ামরুম ইটালিগী (খৃষ্টিয়ান) মিচেল মামা অমসুং অতৈ ময়াইচাবী মীওইশিং ৱাহং পাউহং চথখ্রে। কোর্টতা থাগৎলক্লিবা চার্জ–সীট অদুনা হায়রি, অহমেদ পেতেলগী অশন্বী ওইনা এ পি অমসুং ফেমিলি হায়বসিগী ওইনা এফ এ এম হায়রিবশিংসি শেঞ্জা–থুমজা ফংখিবা মীওইশিং অদুনি।

অহমেদ পেতেল হায়বা মমিং অসি নখোয়না শোয়দনমক তারমলগনি। অদুনদি মহাক্না নক্লবা ইমূং–মনূং অদু কনা ওইগনি। চোপ্পর দিল অদুদগী কান্নবা ফংখিবশিং অদু কনানো হায়না দেরাদুনদা পাংথোকপা মীয়ামগী মীফম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হংখি।

চোপ্পর দিল অদুগা মরীলৈনবা কেসতা ফাখিবা শেঞ্জা থুমজা চথনবগী ময়াইদা লৈবা মীওইনি হায়রিবা খৃষ্টিয়ান মিচেলগী মথক্তা থাঙ্গৎলকখিবা এনর্ফোসমেন্দ দাইরেকটোরেটকী চার্জ –সীট অদুনা সেনিয়ার কোংগ্রেস লিদর অহমেদ পতেল অমসুং 'মিসিজ গান্ধী' কৌবা অমগগী মমিং পল্লি।

এ পি অমসুং এফ এ এম গী মতাংদা কোংগ্রেসনা তুমিন্না লৈরিবা অদুদা নাকচেপতা ঙাংবা ওইনা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেতলিনা হৌজিক চীংনবা অদু ময়েক শেংলে হায়না প্রেস কনফরেস অমদা হায়খি। ইভিদেন্স অসি ময়েক শেঙলে। চীংনরম্বা অদুসু ময়েক শেংলে। মখোয়না পাউখুম পীদ্রবদি ঐনা মসি হঞ্জিন হঞ্জিন হায়গনি, মখোয়গী পীনবা পাউখুম লৈত্রে হায়না জেতলিনা হায়খি।

অদুম ওইনমক, কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথরকপদা দিল অদুগা মরীলৈননা মহাক্না কনাগুম্বা অমত্তগী মমিং পনখিদে হায়না ঙসি দিল্লি কোর্ট অমদা খৃষ্টান মিচেলনা হায়খি।

ইন্দিয়াদা ৱারেপ লৌবশিংগা দিল অদু তৌননবা শেঞ্জা –থুমজাগী থবক শিনখিবগী মরানদা ইনভেসটিগেসন চত্থরকখিবা ময়াইচবী মীওই ৩গী মনূংদা খৃষ্টিয়ান মিচল কৌবা বৃটিস নেসনেল অসিসু অমনি। মহাক দুবাইদগী দিসেম্বরদা এক্সট্রাদিটি তৌরকখিবনি।

ভি ভি আই পি চোপ্পর কেস হায়বসি প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর, হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টরশিংগুম্বা ইন্দিয়াগী মকোক থোঙবা লূচীংবশিং অমসুং অতৈ ভি আই পিশিংনা শিজিননবা লক্সজরি হেলকোপ্টর ১২ লৈনবগী তৌনখিবা লূপা ক্রোর ৩,৬০০ কন্ট্রেক অদুগী মতাংদনি।

ইটালিদা লৈবা হেলিকোপ্টর শাবা অগষ্টা–ৱেষ্টলেন্দগা তৌনখিবা দিল অদু ২০০৭দা মমাঙগী মনমহোন সিংহ গভর্ণমেন্টনা সহি তৌখিবনি। অদুবু শীরিবা মরানশিং অদু য়ূমফম য়াওদবা ঙাক্তনি অমসুং ইলেক্সন মায় পাক্লবগী খদ্রক অমনি অমসুং নোকনিংবা পোকই হায়না ফোঙদোক্লদুনা অহমদ পতেলনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি। ঐহাক্না জুদিসিয়ারিদা থাজবা থম্মি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেটকী চার্জ –সীট অসি কেম্পেন য়ক লাওনা কনখৎলক্লিবা নেসনেল ইলেক্সনগী সুপ্নগী নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা থাংগৎলক্লিবনি।

হেলিকোপ্টর লৈবদা শেঞ্জা–থুমজা তৌখিবগী ইনভেষ্টিগেসন কনখৎলক্লিবা অসি ইলেক্সন মতম অসিদা কোংগ্রেসকী মকোক থোংবা লূচীংবশিংদা শোকহন্নবা, মরুওইনা রাফেল দিলগী ৱাথোক অদুদগী মীয়ামগী পূক্নিং থৈদোকখিনবা হোৎনবনি হায়না কোংগ্রেসনা বি জে পিদা ওনশিন্দুনা মরান শীখ্রে।

কেস অসিনা কোংগ্রেস চীফ রাহুল গান্ধী অমসুং মহাক্কী মমা সোনিয়া গান্ধীদা হায়বা ওইনা কোংগ্রেসকী 'ফার্ষ্ট ফেমিলি' অদুগীদমক শাথিনা খুদোংচাদবা থোকহল্লগনি হায়না বি জে পিনা হায়রি।

# য়েৎনরিবা ঈথৎতা হেঞ্জিল্লক্কনু, হন্দোকখ্রো হায়না ফিলিপ্পিন প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দুটেরটেনা চিনাদা ৱার্নিং তৌখ্রে



**মনিলা, এপ্রিল ৫ঃ** সমুদ্রগী মরুওইরবা ঈশিং–লন্বী অদুগী মতাংদা ৱাংনা উংখৎনরিঙৈগী অসিদা য়েৎনরিবা ঈথৎ অদুদা করিগুম্বা চিনানা শোক্লক্লবদি মিলিটরিগী থবক লৌখৎলকপা য়াই হায়বগী ৱার্নিং তৌরদুনা সাউথ চিনা সিদা লৈরিবা য়েৎনরিবা ইথৎ অমদা হেঞ্জিল্লক্তবা অমসুং মদুদগী হন্দোকখিনবা ফিলিপ্পিন প্রসিদন্টে রোদ্রিগো দুটেরটেনা বৈজিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

দোল্লর ট্রিল্লিয়ন কয়াগী পোৎ–চৈ ফাওদুনা চৎপা মরমদগী রিজনেলগী মুন্নরিবা লম অমা ওইরিবা সমুদ্র অদুদা বৈজিংনা পাক–চাওনা মখোয়গীনি হায়না কোনশিন্নবা হোৎনরকপদা হান্নদি ফিলিপ্পিন প্রসিদেন্টনা এসিয়ান সুপর পৱার অসিদগী লল্লোন–ইতিক অমসুং ইনভেষ্টমেন্ট ফংনবগী পান্দমদা য়ানীংদবা থোইনা ফোঙদোক্লকখিদবনি।

অদুবু থিতু হায়নসু খঙনবা মনিলানা পায়রিবা পাগ–অশা কৌবা ঈথৎ অদুদা চিনাগী কোষ্টগার্দ অমসু ঙা ফাবগী জহাজ চা কয়া চংশিল্লক্লে হায়না ফিলিপ্পিন মিলিটরিনা চয়োল অসিদা মাঙজৌনবা চেকশিন–ৱা ফোঙদোক্লকখিবদগী ফিলিপ্পিন প্রসিদেন্টনা ঙরাং শগোশেলগী অথেঙবদা ৱা ঙাংলকখি, ঐনা অপীল তৌরোই নৎত্রগা নিজরোই, অদুবু মফম অদুদা ঐগী লান্মীশিং লৈবনা পাগ–অশাদা হেঞ্জিল্লকনু অমসুং মফম অদুদগী হন্দোকখিনবা ঐনা নখোয়দা হায়রিবসিনি হায়না প্রোজিক্যুটরশিংদা পীবা ৱারোল অমদা প্রসিদেন্ট দুটেরটেনা হায়খি।

করিগুম্বা নখোয়না মদু শোক্লবদি, মদুনা অতোপ্পা ৱারীনি। অদু ওইরবদি ঐনা ঐগী লান্মীশিংদা সুইসাইদ মিসনশিংগীদমক থৌরাং তৌনবা য়াথং পীরগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

চিনাগা লান অমা তৌনবা হায়বিসি শাথিনা মাংজবা ওইগনি অমসুং ফিলিপ্পিসনা মাংজগনি লোয়ননা খোংথাং অদুদা চাওনা অৱাবা নংহৌগনি হায়না মহাক্না হন্না হন্না হায়খিবনি। অদুবু চিনাগী জহাজশিংনা চংশিল্লক্তুনা লৈরিবা অদু আইনগী ৱাংমদা ফিলিপ্পিন সোভরেন্টি থুগাইবনি হায়না মহাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেন এফিয়ারসনা ষ্টেটমেন্ট অমা থোকখিবগী মতূংদা প্রসিদেন্ট দুটেরটেনা ৱাফমশিং অদু ফোঙদোকখিবনি।

ঈশিংগী মখাদা য়ান্না লূথনা পেট্রোলিয়ম রিজার্বস মরাংকাইনা লৈবগা লোয়ননা মরুওইবা ঈশিং লন্বীসু ওইরিবা তোঙান তোঙানবা ঈথৎশিং অমসুং রীফশিং অসি চিনা, ফিলিপ্পিস, ব্রুনৈ, মলেসিয়া, টাইৱান অমসুং ভিয়েটনাম পূন্নমকসিনা মখোয়গীনি হায়না মুন্নরিবনি।

মনিলাগীদমক চাওনা মায়পাকপা অমদা ২০১৬দা দুটেরটেনা প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা ইন্টরনেসনেল মেরিটাইম ট্রিবুনেল অমনা হায়রিবা মফম অদু চিনানা মখোয়গীনি হায়রিবদু আইনগী য়ুমফম লৈতে হায়বা রাই তাখি।

অদুম ওইনমক দুটেরটেনা ইন্টনেসনেল ট্রবুনেলগী রাই অদু অয়াম্বনা থৈদোক্তুনা লৈখি অমসুং সমুদ্রদা মখোয়না কন্না য়েৎনরিবা লম অদুদগী খোঙফম খরা হন্দোকখি। চিনাদা মহাক্না অকনবা ফিরেপ লৌদে হায়বগীদমক মাগী লৈবাক্তা মাবু থীনা ঙাংনৈ অমসুং চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা পীনবা ৱাশকখিবা দোল্লর বিল্লিয়ন কয়াগী ইনভেষ্টমেন্ট অদুসু থোইনা ফংদে হায়না থীনা ঙাংনরিবনি।

# উমংশিং পাক্তক্লনা মৈ চাক্লকপদগী সাউথ কোরিয়ানা নেসনেল দিজাষ্টর লাওথোকখ্রে



**সিওল, এপ্রিল ৫ঃ** উমংদা চাওনা মৈ চাক্লকখিবা অমনা ঙসি ইরাই নুমিৎতা সাউথ কোরিয়াগী মফম কয়াদা শন্দোরকখিবদগী মৈ অদু মুত্থৎনবা ফয়ার ইঞ্জিন ৯০০ অমসুং পার্সোন্নেল লিশিং কয়া থাজিনবগা লোয়নন ওথোরিটিজিনা য়ান্না তাঙনা নেসনেল দিজাষ্টর অমা লাওথোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী অরাপ্পা অৱাং–নোংপোক থংবা গোসিওং টাউনগী লম্বী অমগী পরিংদা ঙরাং শগোলশেলগী অথেংবদা মৈ অদু চাক্লকখিবনি। মৈ চাকপা অদু ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই পায়বা নোর্থ কোরিয়া ঙমখৈদগী সুপ্নগী কিলোমিটর ৪৫ রোমতমক লাপ্প মফমনি। অকনবা নুংশিৎনসু মৈ চাকপা অদু চীংলমগী মফম অমা ফাওনা থুনমক শন্দোরকখি অমসুং গভর্ণমেন্টকী মতূং ইন্না মদুদা য়ূম ৪০০ অমসুং লম হেক্তর ৫০০ মৈনা তুম্না চাকখ্রে হায়রি।

চাওরাক্না মীওই ৪,০০০ মৈ চাক্লিবা মফম অদুদগী পুথোক্লকখ্রে। মী অমা শিখ্রে ,১১ শোক্লে হায়না ওথোরিটিজনা ফোঙদোকখ্রে। মৈ চাক্লিবা অদু ময়োক্লনবা ফয়ার ইঞ্জিন ৮৭০ হেন্না অমসুং ইমর্জেন্সি পার্সোন্নেল ১০,০০০ রোম থাজিনখ্রে হায়না নেসনেল ফয়ার এজেন্সিনা হায়খি। মদুদা তেঙবাংনবা মিলিটরিগীসু মখোয় মশাগী ফয়ার ইঞ্জিনশিং অমসুং লান্মী ১৬৫০০গা লোয়ননা হেলিকোপ্টর ৩২সু মিলিটরিনা থাজিনখ্রে।

লাইবক ফবনা মপূংওইনা মৈ চাক্লিবা অদু লাকশিনবা ঙমখ্রে অদুবু অতৈ মফমশিংদি হৌজিকসু মৈ চাক্লি হায়না প্রোভিন্সিয়েল গভর্ণর জোই মুন –সুননা ৱাই টি এনদা রেদিও ইন্টরভিয়ু অমদা হায়খি।

পোৎ–চৈ অমসুং ইক্যুপমেন্ট য়াওনা শোক্লবা মফমশিংদা অখন্নবা তেঙবাং পীগদবা ষ্টেট ওফ নেসনেল দিজাষ্টর অমা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লাওথোকখ্রে।

করিগুম্বা মৈ চাকপা অদু ঙমখৈ য়ৌশিনখ্রবদি নোর্থ কোরিয়া ওথোরিটিজগা পূন্না খূৎশমননবা মথৌতাবা থবক পূন্নমক লৌখৎননবা প্রসিদেন্ট মুন জে ইন–ইননা ওফিসিয়েলশিংদা খংহনখ্রে হায়না প্রোসিদেন্সিয়েল ওফিসনা হায়খি।

# মালেমগী অহানবা ৫জি ফোন সাউথ কোরিয়াদা থাদোকখ্রে

**সিওল, এপ্রিল ৫ঃ** সাউথ কোরিয়ানা ট্রান্সফোর্মেটিব সিষ্টেমদা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী মাঙজিন থাবা খোঙথাং অমা থাংনবগী অশা তৌখিবগা লোয়ননা ঙসি ইরাই নুমিৎতা সামসং ইলেক্ট্রোনিক্সনা বিল্ট–ইন ফিফ্ট জেনরেসন কম্যুনিকেসন্স টেক্নোলোজি হাপ্পা মালেমগী অহানবা হৌজিক ফাওবদা ফংবা স্মার্টফোন গেলেক্সি এস ১০–৫জি মীয়ামদা থাদোকপা হৌখ্রে।

সেকেন্দ অমা ফাদবা মনূংদা শিজিন্নরিবশিংবু মুভি পূন্নমক দাউনলোদ তৌবা ঙমহনবা দাটাস্পীদশিং পীবা সুপরফাষ্ট নেটৱার্ক ৩ দা সাউথ কোরিয়না য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লৈবাক থুংনা ৫জি সার্ভিসশিং কম্মর্সিয়েল ওইনা পীবা হৌবা অহানবা লৈবাক ওইখি।

মদুগী পূং খরগী তূংদা য়ু এসকী অচৌবা ভেরিজননা চিকাগো অমসুং মিনিয়াপোলিসতা কম্মর্সিয়েল সার্ভিসশিং হৌখি।

# প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রানা ঘাজিয়াবাদতা রোদশো পাংথোকখ্রে



**ঘাজিয়াবাদ, এপ্রিল ৫ঃ** মীখল পাংথোকদবা নুমিৎ খরনিতা ঙাইশিল্লকখিবগা, কোংগ্রেসকী প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রনা ঙসি ঘাজিয়াবাদতা রোদশো অমা তৌখ্রে অমসুং ভোত খোমবগী কেম্পেন অদুদা মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা মরান কয়া শীখ্রে।

মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শেঞ্জাও পায়বশিংগীদমক্তি য়াল্লবা শেনফমগী লোন কোকথোকখি। লৈবাকসিগী লৌমীশিংনা অৱাবা তাদুনা লৈরবা অমসুং নখোয়বু ৱা ঙাংবা য়াহন্দ্রবা, অদু ওইরবদি মদু দেমোক্রেসি অমা নৎতে।

প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রনা মহাক্কী পার্টিগী মিনিমম ইনকম গেরেন্টি স্কিমগী মতাংদা ফোঙদোকখি অমসুং লৈঙাক পায়রিবা পার্টি অসিনা মখোয়গী চহী ৫গী মতমদা মখোয়না করি তৌখি হায়না হংখি।

গুদ গভর্ণনেন্স হায়বসি নখোয়গী হকনি, সিটিজন পূন্নমক মহৈতন্নবগী অমসুং মহুৎ শিন্নবগী হক অদু লৈ হায়না হন্দক্তা নৌনা পোলিটিক্সতা চংলকখিবী গান্ধী শাগৈগী নিঙোল অসিনা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মালেমগী মফম শিনবা থূংনা চৎখ্রে অদুবু হৌখিবা চহী ৫ অসিদা মহাক্কী কনষ্টিট্যুয়েনসিদা কনাগুম্বা ইমূং অমদা মহাক্না অমুক্তা ফাওবা লাকখিদে অমসুং নখোয় করম তৌরিবগে হংলখিদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মালেমগী লূচীংবা পূন্নমক্কা নুংশিননা লেঙ্গোন্নখি অদুবু মহাক্কী কনষ্টিট্যুয়েন্সি বরানসিদা লাইরবা ইমূং অমদা অৱা–অনাগী পাউ হংবা লাক্তুনা ইমূং অমগী অহল অমবু মহাক্না লেঙ্গোন্নখিবা য়াওরব্রা হায়না তিল্লিবা মীয়ামদা প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রনা হংখি।

কোংগ্রেসনা নখোয়গীদমক থবক তৌবা পাম্মি। ঐখোয়না লৌমীশিংগী লোন কোকপা, মিনিমম ইনকম গেরেন্টি পীবা পাম্মি।

জি এস টি চৎনহন্দুনা মোদি গভর্ণমেন্টনা অপীকপা লল্লোনইতিক তৌবশিংগী য়াঙলে শরু থুদেকপীরে। অদুবু নোক্লিংবদি মহাকপু শৌগৎলিবদি অপীকপা লল্লোন–ইতিক তৌরিবশিং অসিনি হায়না মহাক্না হায়খি।

# রাহুল গান্ধীনা কেরলাগী ৱায়ানাদ কনষ্টিট্যুয়েন্সিগী লম্বী–লমজাওদা মীখলগী অচৌবা কেম্পেন পাঙথোকখ্রে



**থিরুভনন্থপুরম, এপ্রিল ৫ঃ** কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা মীরেপ ওইরিবা কেরলাগী ৱায়ানাদ লোক সভা কনষ্টিট্যুয়েন্সিদা মীয়ামগা লোয়ননা লম্বী–লমজাওদা মহাক্কী মীখলগী কেম্পেন হৌখ্রে।

মীয়াম পূন্না লম্বীদা কেম্পেন তৌবা অদুদা মহাক্কী মচননুপী প্রয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রা, হান্নগী চীফ মিনিষ্টর উম্মেন চান্দি অমসুং কেরেলা লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা ওপোজিসন লিদর ওইরিবা রমেশ চেন্নিথলাকা লোয়নখি।

রাহুল গান্ধীনা কালপেত্তাদা দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্টোরেটতা মাগী মীরেপচে পীশিল্লুরবা তূংদা লম্বী–লমজাওগী কেম্পেন অদু হৌখি। হন্দক্কী লোক সভা মীখল অসিদা উত্তর প্রদেশকী অমেথি কনষ্টিট্যুয়েন্সি খত্তঃদা নত্তনা ৱায়ানাদতগীসু মীরেপ ওইদুনা মহাক্না কনষ্টিট্যুয়েন্সি অনীদা কন্টেষ্ট তৌরি।

লম্বী অদুগী নাকন অনীমক্তা য়াল্লবা কোংগ্রেস শৌগৎপা মীওইশিংনা পূনখি। রাহুল গান্ধীনা মখোয়দা খূৎ হায়রকখিবা অদুদা মখোয়না ফোটোগ্রাফশিং লৌখি অমসুং নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।


মদুদা মচননুপী প্রয়াঙ্কা গান্দীনসু হঙ্গামমপান মচুগী ফিজন চনবা শারি শেৎতুনা মখূৎ লোন্নদুনা মীয়ামদা নুঙাইবা ফোঙদোকখি। গারী অদুনা মীয়াম লেপ্পিবা মনাক নক্না চংশিল্লদুনা শৌগৎপা মীওই কয়াদা গান্ধীনা খূৎ শোক্লখি।

মহাক্কী লাম্হেং অসি বি জে পিগী মায়োক্তনি হায়রদুনা রাহুল গান্ধীনা মাগী কেম্পেন অসিদা কেরলাগী সি পি আই (এম)না লূচীংবা এল দি এফ গভর্ণমেন্টকী ময়োক্তা করিগুম্বা ৱাহে অমা ফাওবা হায়রোই হায়খি।

ৱায়ানাদতগী রাহুল গান্ধীনা মীরেপ ওইরকখিবা অদুদা লেফট পার্টিশিংনা নুংঙাইতবা লৈ। মীরেপ চে পীশিল্লবা তূংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা রাহুল গান্ধীনা, মহাক্না খা রোমদগী মীরেপ থেংনরিবশিং ইন্দিয়া অমত্তনি হায়বা পাউজেল অমা পীনবনি হায়খি। ইন্দিয়া অমত্তনি হায়বা পাউজেল অমা থানবা ঐনা কেরলাদা লাকপনি।

খা, অৱাং, নোংপোক, নোংচুপ, ময়াই লোয়নমক অমত্তনি হায়খি।

# অহানবা খোঙচৎতা ইজরেলগী স্পেসক্রাফনা 'থা'গী অকোয়বদা কোয়না পাইবা হৌখ্রে



**জেরুসালেন, এপ্রিল ৫ঃ** ইজরেলগী অহানবা লুনার মিসনদা লৈবাক অসিগী স্পেসক্রাফ অমনা ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা থাগী অকোইবদা কোয়না পায়বা হৌখ্রে। মসি মথঙ চয়োলদা থাগী লৈমাইদা তানবগী থৌরাং তৌরিবা অদুগী মাঙওইননা মরুওইবা খোঙথাং অমগী মপূং ফাবনি হায়না মিসন চীফশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

লুনার কেপচর হায়না খংনবা খোঙথাং অদুনা মী য়াওদবা বেরেশীট ক্রাফ অদুবু য়েরুম মওং মানবা ওরবিট অমগী খোংচৎ অমদা হোংহনখি অমসুং মদুনা মদুবু 'থা'গা কিলোমিটর ৫০০ ফাওবগী মনূংদা পুশিনখি।

মসিগী খোঙথাং অসিনা স্পেসক্রাফ অদুবু থাগী চীংশিনবগী শক্তিনা কেপচর তৌবা ঙমহল্লি অমসুং পৃথিবীগী অকোয়বদা চৎলিবা থাগী অকোয়বদা চৎপা হৌরগনি হায়না প্রোজেক্ট অদুগী লূচীংবা পার্টনরশিংনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

স্পেসক্রাফ অসিনা ইতিহাসিক অনী শেন্নবা অশা তৌরি– অমনা অহানবা প্রাইভেট–সেক্টর মুন লেন্দিং অমসুং অনীশুবদনা জিয়ুইস ষ্টেটতগী অহানবা অদুনি।

কিলোগ্রাম ৫৮৫ গী স্পেসক্রাফ অদুনা এলোন মস্ককী য়ু এসতা লৈবা প্রাইভেট স্পেস এক্স কম্পেনিগী ফেলকোন–৯ রোকেট অমনা স্পেসতা কাপখৎখিবনি।

এন জি ও স্পেসআইএল অমসুং লৈঙাক্না মপু ওইবা ইজরেল এরোস্পেস ইন্দষ্ট্রিজনা জেনেসিস হায়বদি হেব্রু লোনদা বেরেসিটপু ফেব্রুৱারি ২২দা ফ্লোরিদাগী কেপ কেনেভরেলদগী থাগৎখিবনি।

# কোংগ্রেস অমসুং বি জে পি অনীমক চপ মান্নে ঃ অখিলেশ যাদব



**লখনৌ, এপ্রিল ৫ঃ** সমাজৱাদি পার্টিগী ভিজন দোকুমেন্ট ফোঙলদুনা পার্টি অসিগী চীফ অখিলেশ যাদবনা মাগী হান্নগী ফিরেপতগী হোংদোক্তুনা ঙসি কোংগ্রেসকী মথক্তা অতন্না চৈখ্রে।

লোক সভা মীখলগী চয়োল অমগী মাঙওইননা পার্টিগী মেনিফেষ্টো অদু লখনৌদা ফোঙলবা তূংদা পাংথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা মহাক্কী এলায়েন্স পার্টনর বি এস পি চীফ ময়াবতিগা চপ মান্ননা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পি অনীমকপু এন্টি–পোর পোলিসিশিং চত্থবগী চপ মান্নবা মরান লৈ হায়না মরান শীখি।

বি জে পিসু কোংগ্রেসকা মান্নে অমসুং কোংগ্রেসু বি জে পিগুম্বনি মসিদা চমমনগনু হায়না কেম্পেন রেলিশিংদা হৌজিক ফাওবদা কোংগ্রেসতা চৈবদা ফাথদুনা লৈরকখিবা অখিলেশ যাদবনা হায়খি।

গান্ধী ফেমিলিগী অকনবা মফম অমেথি অমসুং রাইবেরেলিদা এস পি –বি এস পি এলায়েন্সনা মীরেপ থাদোকখিদবা অদুগী তৌবীমল খঙবগী খূৎলং লম্মন ওইনা এলাইয়েন্স অদুনা কন্টেষ্ট তৌরিবা সিটশিংদা কোংগ্রেসনা মীরেপ থাদোক্লোই হায়না লাওথোক্লকখিবা মতম চয়োল ২গী মমাঙদা অখিলেশ যাদবনা ট্বিটরগী খূৎথাংদা মহাক নৎত্রগা ময়াবতিনা কোংগ্রেসকী মতেং পামদে হায়খি অমসুং মখোয়না অপাম্বা মফম অমদা হেক্তা মীরেপ থাদোকপা করিমতা কায়দে হায়খি।

ময়াবতিনসু ঙসি কোংগ্রেস অমসুং বি জে পি অনীমক্তা চৈখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী গভর্ণমেন্টনা তৌখিবা দিমোনিটাইজেসন অদু ইন্দিরা গান্ধীনা লৈবাক অসিগী মথক্তা থমজিনখিবা নমফুগী ইমর্জেন্সি অদুগা চপ মান্নে হায়খি। মরম অসিদগী হৌজিক লৈবাক অসিগী মীয়ান্না লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিদা বি জে পিবু লৈঙাক্কী শক্তি পায়বদগী ইন্থুদুনা থমলম্বা অদু খৌরাংনা ঙাইরি হায়খি।

## সনা–সুদোকু –৮৬ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | 5 | 4 | 9 | 3 | 2 | 6 | 7 |
| 2 | 4 | 9 | 6 | 1 | 7 | 5 | 3 | 8 |
| 3 | 6 | 7 | 2 | 5 | 8 | 1 | 4 | 9 |
| 7 | 9 | 6 | 1 | 4 | 5 | 8 | 2 | 3 |
| 5 | 2 | 4 | 3 | 8 | 6 | 7 | 9 | 1 |
| 8 | 3 | 1 | 9 | 7 | 2 | 4 | 5 | 6 |
| 6 | 1 | 8 | 5 | 3 | 4 | 9 | 7 | 2 |
| 4 | 7 | 3 | 8 | 2 | 9 | 6 | 1 | 5 |
| 9 | 5 | 2 | 7 | 6 | 1 | 3 | 8 | 4 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-87**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 9 | 6 | | | 5 | 7 | |
| 6 | | | 5 | | | | 8 | 9 |
| 1 | 5 | 8 | | | 7 | | | |
| | 1 | 4 | | | 2 | 7 | | |
| | | 7 | 9 | 6 | | | | 8 |
| | 6 | | 7 | 8 | | | | 1 |
| 5 | | | | | | 8 | 6 | |
| 7 | | | | | 6 | | | 5 |
| | 8 | | | 7 | | 9 | | |

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 06/02/19
Sl. No. : 8130
Valid : 01/02/19
Sl. No. : 7151
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Athokpam Indane Wangjing & Khongjom**
Booking : 07/02/19
Valid : 01/02/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 09.00 a.m.

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 27/02/19
Valid : 22/02/19
Stk : 306

**M. M. Gas**
Booking : 21/02/19
Valid : 18/02/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 10/03/19
Valid : 05/03/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 04/03/19
Valid : 02/03/19
Sl. No. : 22826 to 23226
Time : 06.00 to 08.30 a.m.

**Bashikhong Indane**
Booking : 06/02/19
Valid : 01/02/19
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**Manipur Gas**
Booking : 05/02/19
Valid : 02/02/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.